# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 31-05-2024)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) মণিপুরদা হৌজিক থোক্লিবা ঈচাউ অসিদা মীওই লাখ ১ লিশিং ৮৮ হেন্না অৱাবা মায়োকরি, মীওহ্ অহুম লৈখিদ্রে, অমনা থিবা খঙদনা লৈরি।

২) ঈচাউগী অৱাবা তারবা ইমুং মনুংশিংগীদমক লৌখৎপা য়াবা থবক থৌরমশিং লৌখৎনবগী মতাংদা মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেননা সভাপতি ওইদুনা রিভিউ মিতিং পাঙথোকখ্রে।

অমসুং

৩) জম্মু জিলাগী তুংগিমোরদা ভক্তশিং পুবা বস অমা লোকখাদা ওন্থবদা য়ামদ্রবদা মীওই ২০ শিরে, ১৫ হেন্না শোক্লে।

------

অৱাংবৌ (এল)ঃ রাজ্যগী ৱাটর রিছোর্সেস মন্ত্রি অৱাংবৌ নিউমাইনা হায়রি- মণিপুরদা হৌজিক থোক্লিবা ঈচাউ অসিদা মীওই লাখ ১ লিশিং ৮৮ হেন্না চৈথেং ফংলি। মসিগী মনুংদা মীওই অহুম লৈখিদ্রে, অমনা থিবা খঙদনা লৈরি। মীওই ৯ না অশোক অপন নংলে। ঈচাউনা অৱাবা নংলবা মীয়ামগীদমক রিলিফ কেম্প ৫৬ হাংদোক্লে।

ইম্ফালগী নিউ সেক্রেটরিয়েটতা লৈবা মন্ত্রিগী ওফিসতা ঙরাং নুমিদাং পাঙথোকপা পাউগী মীফম অমদা শ্রী অৱাংবৌনা হায়- ঈচাউ অসি ঐখোয় পুন্না থেংনমিন্ননদুনা মহৌশাগী ফিভমদা হুঞ্জিনহনবা ঙমগনি। মহাকা হায়- রিলিফ কেম্পশিংদা তঙাইফদনা চংবা পোৎলমশিং সরকারনা পীরি। ঈচাউ অসিনা

শোকহল্লবা মীয়াম্বু মতেং পাংবীখিবা পুমমকপুসু মন্ত্রিনা থাগৎপা ফোংদোরক্লি। ঈচাউগী মতমদা অৱাং মপানদা থোহন্দনবা মমা মপাশিং হোৎনবীনবা মন্ত্রিনা আপীল তৌরি।

মীতিং (এল)ঃ রাজ্য অসিদা থোক্লিবা ঈচাউগী ফিভম অসিগা মরী লৈননা ঈচাউ অসিনা শোকহল্লবা অৱাবা তারবা ইমুং মনুংশিংগীদমক লৌখৎপা য়াবা থবক থৌরমশিং লৌখৎনবা অমসুং মথৌ তাবা তেংবাংশিং পীনবগীদমক মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেননা সভাপতি ওইদুনা রিভিউ মিতিং পাঙথোকখ্রে। মীফম অদুদা মন্ত্রিশিং, এম.এল.এশিং, চীফ সেক্রেটরি, সেক্যুরিতি ওফিসিয়েলশিং অমসুং বিভাগ পুমমক্কী ওফিসিয়েলশিংনা শরুক য়াখি।

মীফম অদুনা হৌজিক থোক্লিবা ঈচাউ অসি মপুংফানা থিংনবা অমসুং ঈচাউ অসিনা শোকহল্লবা মফমশিং য়াওনা ইমুং মনুংশিংগীদমক পায়খৎপা য়াবা থবক থৌরমশিং সরকার অমসুং মরী লৈনবা লোইশঙশিংগী মাইকৈদগী পায়খৎনবগী মতাংদা কুপা খন্নখি।

অমরোমদা, ঙরাং নুমিদাং মুখ্য মন্ত্রিনা লুচিংবা মন্ত্রি মন্দলগী অমসুং তোঙান তোঙানবা বিভাগশিংগী মকোক থোংবা ওফিসিয়েলশিংগা লোয়ননা ইমা কৈথেলগী অকোইবদা থোক্লিবা ঈচাউগী ফিভমসু য়েংশিনখি।

সিএম সেক্রেতরিয়েট (এল)ঃ রাজ্য সরকারনা হন্দক খঙহৌদনা থোক্লক্লিবা ঈচাউ অসিনা শোকহল্লবশিংগীদমক মথৌ তাবা তেংবাংশিং পীনবা অমসুং ঈচাউ অসি মপুংফানা থিংনবগীদমক পায়খৎপা য়াবা থবক থৌরমশিং লেপ্লা লৈতনা পায়খৎলি। রেস্ক্যু টিমশিং অমসুং ভোলুন্তিয়ারশিংনা পায়খৎলপা থবক থৌরমশিংদা মীয়ামসু মীপাইবা তৌদনা মতেং পাংবীনবা মুখ্য মন্ত্রিগী সেক্রেটরিয়েটতগী থোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা মখা তানা হায়- সাইক্লোন রিমালনা রাজ্য অসিদা ফংলিবা চৈথেং অসিদগী ঙাকথোকবা অকনবা থবক পায়খৎলি। এস.দি.আর.এফকী কাংবুনা এন.দি.আর.এফ, মণিপুর পুলিস, ইন্দিয়ান আর্মি, অসাম রাইফলস, মণিপুর ফয়ার সার্ভিস, দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন, লোকেল ওথোরিতি অমসুং

লোকেল ভোলুন্তিয়ারশিংনা পুনদুনা ঈচাউ নংলবা অমসুং ঈচাউ অসিনা শোকহল্লবা মফমশিংদা মী কনবা অমসুং তেংবাং পীবগী থবক চত্থরি। ইম্ফালগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা ঈচাউ অসিনা মরম ওইরগা তোর্বান কায়বা অমসুং তুরেল পাথোক্তুনা ঈশিং চেন্থোরকপা মফমশিং লৈহন্দনবা ৱাটর রিছোর্সেস বিভাগনা মাং থাদুনা পায়খৎপা য়াবা থবক থৌরমশিং পায়খৎলি।

পুলিস (এল)ঃ   সাইক্লোন রেমালনা মরম ওইরগা পীরকপা চৈথেংনা মণিপুরদা হৌজিক থেংনরিবা ঈশিং ঈচাউগী অৱা অনা তারবশিংদা পীরিবা তেংবাং অমদি মী কনবগী থবকশিং হেন্না মপাঙ্গল কনখৎনবা পুং ২৪ চুপা মথৌ তৌগদবা কন্ত্রোল রুম অমা অহানবা মণিপুর রাইফলসকী বঙ্কেট হোলদা হাংদোক্লে।

মণিপুর পুলিস কন্ত্রোল রুমনা থোকপা চেরোল অমনা হায়- কন্ত্রোল রুম অসি রাজ্য সরকারগী চীফ সেক্রেটরি ডাঃ বিনিত জোসিনা লুচিংগনি। কন্ত্রোল রুম অসিদা মীয়ামনা মোবাইল নম্বর **09233522822, 09485280419, 06909525816** নত্রগা টেলিফোন নম্বর- **0385-2440028** অমদি **0385-2912006** তা পাউ ফাওরকপা য়াগনি হায়রি।

ঈচাউ অসিগী মনুংদা হসেন্সিয়েল দ্যুতি তৌরিবশিং অমসুং তঙাইফদবশিং চৎথোক চৎশিন তৌরবসু য়ারিবা মখে মীয়ামা য়ুমদগী মপান থোক্তুনা লৈনবা চেরোল অদুনা মখা তারি।

সেমিনার (এল)ঃ   মণিপুর য়ুনিভর্সিতিগী সোসিওলোজি দিপার্টমেন্টনা শিন্দুনা নুপীগী রিজার্ভেসনগী মতাংদা নুমিৎ নিনি চুপনা পাঙথোক্কদবা জাতি থাক্কী ৱার্কসোপ ওরাংদগী য়ুনিভর্সিতি অসিগী দিপার্টমেন্ট ওফ কম্মর্সতা হৌখ্রে। থৌরম অদু মণিপুর য়ুনিভর্সিতিগী ভাইস চান্সেল্লর এন. লোকেন্দ্রনা হৌদোকখিবনি।

ইন্দিয়ান কাউন্সিল ওফ সোসিয়েল সাইন্স নিউ দিল্লিগী শেন্থং মখাদা চত্থবা ৱার্কসোপ অদুদা লৈবাক অসিগী তোঙান তোঙানবা য়ুনিভর্সিতিশিংগী প্রোফেসারশিংনা শরুক য়ারি।

কাশ্মীর ঃ  জম্মু কাশ্মীরগী জম্মু জিলাগী তুংগিমোরদা ভক্তশিং পুবা বস অমা লোকখাদা ওন্থবদা য়ামদ্রবদা মীওহ্ ২০ শিরে, ১৫ হেন্না অশোক অপন নংলে।

ঐখোয়গী জম্মু পাউমীনা হায়- অশোকপশিং অদু মনাক নকপা হোস্পিতালশিংদা পুখৎতুনা লায়েংলি। থৌদোক অদু বস অদুনা জম্মুদগী শিবখোরি শুরুং তমা চৎপগী লম্বীদা থোকখিবনি। থৌদোক অদুবু রাষ্ট্রপতি দ্রৌপদি মুরমু, উপ-রাষ্ট্রপতি জগদিপ ধনখর অমসুং প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা অৱাবা ফোংদোরক্লি। থৌদোক অদুদা লৈখিদ্রবা মীওইশিংগী ইমুং মনুংদা লুপা লাখ অনি অনি ক্ষেতিপুরন পীরগনি, অশোকপশিংদনা লুপা লিশিং ৫০-৫০ পীরগনি হায়না প্রধান মন্ত্রিনা লাউথোকখ্রে।

মীখল ঃ  লোক সভা মীখলগী তরেৎশুবা অমসুং অরোইবা তাঙ্কক্কী ভোট হয়েং থাদনবা মপুং ফানা শেম শাবা লোইরে। তাঙ্কক অসিগী ওইনা থাংজ নুমিৎতা রাজ্য তরেৎ অমসুং য়ুনিয়ন টেরিটোরি চান্দিগরগী পুন্না সিট ৫৭ তা ভোট থাদনগনি। তাঙ্কক অসিদা মীরেপ ৯০৪ না লম্বা থেংনরি। সিটশিং অদুদি- উত্তর প্রদেস অমসুং পঞ্জাবকী ১৩-১৩, নোংচুপ বেঙ্গোলগী ৯, বিহারগী ৮, উরিষ্যাগী তরুক, হিমাচল প্রদেসকী মরি, ঝরখন্দগী অহুম অমসুং চান্দিগরগী অমনি। লোক সভা মীখল অসিগা লোয়ননা উরিষ্যাগী বিধান সভা কেন্দ্র ৪২ দসু ভোট থাদনগনি। ভোট মশিং জন্ মরিদা থিগনি।

বোক্সিং ঃ থাইলেন্দগী বেঙ্কোক্তা চথুরিবা ৱার্ল্ড  ওলিম্পিক বোক্সিং ক্বালিফায়রদা ভারতকী বোক্সর অনি ক্বাটল ফাইনেল চংখ্রে। অনকুসিতা বোরোনা কে.জি. ৫০ গী কাংলুপ্তা মহাক্কী লম্বাবু ৪-১ দা মায়থিবা পীদুনা ক্বাটর ফাইনেল চংখি। কে.জি. ৭১ গী কাংলুপ্তসু নিসান দেবনা মহাক্কী লম্বাবু ৫-০ দা দা ক্বাটর ফাইনেল চংখ্রবনি।

বেদমিন্টন ঃ  সিঙ্গাপুর ওপন বেদমিন্টন তুরনামেন্টতা ভারতকী নুপীগী জ্ৱা থ্রেসা জোলি অমসুং গাইত্রি গোপিচান্দ ক্বাটর ফাইনেল চংলে। কম্মনৱেলথ

গেমসকী শেঞ্জেংগী তকমান লৌরখ্রবা ভারতকী জ়রা অসিনা কোরিয়াগী ৱার্ল্ড নম্বর টুগী জ়রাবু মায়থিবা পীদুনা ক্বাটর ফাইনেল চংলকপনি। ভারতকী জ়রা অসিনা ঙসি সেমি ফাইনেলগীদমক সাউথ কোরিয়াগী জ়রা কিম সো য়োং অমসুং পোং হি য়োংগা শান্নগনি।

---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

রাজ্য অসিদা নুমিৎ খরনিগী মমাংদগী চুরকখিবা নোংনা মরম ওইদুনা তম্পাক অমসুং চীংগী মফম কয়াদা অমাং অতা থোকখিবগী পাউ অসি মণিপুরদা ফোংবা পাউচে অয়াম্বগী অহানবা লমায়দা তোঙান তোঙানবা মওংদা হেদলাইন তৌদুনা ফোংনরি। লোয়ননা ঈচাউ অসিগা মরী লৈননা ৱাটর রিছোর্সেস মন্ত্রি অৱাংবৌ নিউমাইনা ফোংদোকখিবা ৱাফম য়াওনা তোঙান তোঙানবা পাউশিংনা ঙসি মণিপুরদা ফোংবা পাউচেশিংগী অহানবা লমায়দা মরুওইবা পাউশিং ওইনা ফোংনরি।

রাজ্য অসিদা হৌজিক ওইরিবা ঈচাউগী ফিভম অসিনা মরম ওইদুনা মণিপুরদা ফোংবা পাউচে খরদি ঙসিগী ওইনা ফোংনদ্রে। অদুবু ঙসি ফোংলিবা পাউচেশিংদা পীরিবা হেদলাইনশিং অসি অমগা অমগা ইমান মান্নদ্রে।

ঈচাউ অসিগা মরী লৈননা ৱাটর রিছোর্সেস মন্ত্রি অৱাংবৌ নিউমাইনা ফোংদোকখিবা ৱাফম অসি হুইয়েন লানপাউ, মণিপুর নিউজ, ইম্ফাল ফ্রি প্রেস পাউচেশিং অসিদা অহানবা লমায়দা মরুওইবা পাউশিং ওইনা ফোংলি।

ঈচাউ অসিগা মরী লৈননা চীফ মিনিষ্টরনা চেয়ার লৌদুনা ফমখিবা মীফমগী পাউ অসি মোর্নিং বেল পাউচেদা বেন্নর হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি। পাউ অসি সেনাপতিদা ফোংবা পাউচে হিলস হোর্নবিল এক্সপ্রেসতসু মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

ঈচাউ অসিগা মরী লৈননা শঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস ইদিসনদা খ্বাইরম্বন্দ কৈথেলদা ঈচাউগী চাং ৱাংখৎলক্লি। ইম্ফাল ময়োলগী মরুওইবা কৈথেলশিং থোঙ লোন্নখ্রে হায়না ফোংলি।

পাউ অসিমক শঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরী ইদিসনদা- ইম্ফাল ময়োলগী খ্বাইরম্বন্দ কৈথেল পুমতাউ তাউরে হায়না ফোংলি।

মণিপুরগী লান লোইশিনহন্নবা পান্দমদা দিল্লিগী পিপলস য়ুনিয়ন ফোর সিভিল লিবরতিজগী রিটায়ার্দ জষ্টিস কে. কাননবালানা  লুচিংবা মীওই ১৭ থুংখ্রে হায়বা পাউ অমসু হুইয়েন লানপাউ পাউচেগী অহানবা লমায়দা ফোংলি।

সেকমাই তুরেলদা নুপী অমা তাশিনখ্রে, ঐন.ঐচ-টুদা গাড়ি ফাওদুনা চৎপা থিংখ্রে হায়বা পাউ অমসু সনালৈবাক পাউচেগী অহানবা লমায়দা ফোংলি।

চুরাচান্দপুরদা লিংখৎখিবা শঙাই ইন্তরনেসনেল য়ুনিভর্সিতিগী রিকগনেসন য়ু.জি.সিনা ককখ্রে হায়বা পাউ অমসু মণিপুর নিউজ, মোর্নিং বেল, ইম্ফাল ফ্রি প্রেস অমসুং সনালৈবাক পাউচেদা অহানবা লমায়দা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

রাজ্য অসিদা নুপী অমসুং অঙাংশিংগী হেল্প লাইন নম্বর লাউথোকখিবা, সাইক্লোন রিমালগী রিলিফ পীনবগীদমক পুং ২৪ চুপা হাংগদবা কন্ট্রোল রুম হাংদোকখিবগী পাউ য়াওনা তোঙান তোঙানবা পাউশিং তমেংলোংদা ফোংবা পাউচে গানফিউ মেলগী অহানবা লমায়দা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

নাগরিকশিংগী পোকপা অমসুং শিবগী রেজিষ্টর তৌবা তঙাইফদে হায়না হেলথ সার্ভিসেসনা ফোংদোকখিবা ৱাফম য়াওনা তোঙান তোঙানবা পাউশিংনা তমেংলোং টাইমসকী অহানবা লমায়দা মরুওইবা পাউশিং ওইনা ফোংলি।

------